# HUEIYEN LANPAO
# হুইয়েন লানপাউ

The messenger of the masses




লমদেংদা কম্মন বাইও মেদিকেল ৱেষ্ট ষ্টোরেজগী মফম অমা শেমগৎনবগীদমক মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকা শিজ হোস্পিটালগী মরক্তা এম ও য়ু খুৎয়েক পীনখিবা


এস ও পি ঙাক্তবা মীওইশিংদগী লুপা লাখ ১.৬৩ গী ফাইন খোমগৎপ্রে ☛ লামায় ২

হোম আইসোলেসন মোনিটরিংদা ওজা, নন-টিচিং ষ্টাফশিং শীজিন্নগদৌরি ☛ লামায় ৩

বরাক থোং পৈথবগা লোয়ননা লম্বীগী ফীভমসু য়াম্না শোকচিল্লক্লে ☛ লামায় ৪

ইন্টরনেসনল দান্স দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে ☛ লামায় ৫


মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভনা চৈথেং পীবা হৌরকপদগী চহী ৪৫গী মথক্তা লৈবা মীওইশিং লেপ্তুনা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্লখিবা




Vol. 45, Issue No. 035 | ইরাই, শজিবু ১৯নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Friday, April 30, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


# গ্রেটর ইম্ফাল নুমীৎ ৭নিগী কন্টেনমেন্ট জোন ওইরে হায়দুনা লাউথোকখ্রে

## ঙরাংসু পোজিটিভ কেস ৩১৪ থেংনখি, ৬ শিখি, শিখিবা মীওই ৪০১ শুরে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচ এন এস) : ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎনা নাহনবা মীগী মশীং খঙহৌদনা হেনগৎলকপনা মরম ওইরদুনা ঙসি মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী চ্যেরপর্সন অমসুং চীফ সেক্রেটরিগী থৌদাং পুরকখিবা এম ঐচ খাননা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না অপুনবা গ্রেটর ইম্ফালগী মফম পুম্নমক নুমীৎ ৭নিগী ওইনা খুদক্তগী কন্টেনমেন্ট জোননি হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা ঙসিসু পোজিটিভ কেস ৩১৪ থেংনবগী মথক্তা মীওই ৬ শিহনখিবা থারগা পুন্না হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯না শিহনখিবা মীওইশিংগী মশীং ৪০১ শুখ্রে।

হোম দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী ইন-চার্জ চীফ সেক্রেটরিনা দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট, ২০০৫গী সেক্সন ২০(২)(এ)গী মখাদা থোকখিবা ওর্দর অসিগী মতুংইন্না অকক্লনা পর্মিসন পীরবা মীওইশিং নত্তনা এক্টিভিটি অমসুং মুভমেন্ট পুম্নমক সস্পেন্দ তৌদুনা থমখ্রে।

ওর্দর অসিগী মতুংইন্না চৎথোক-চৎশিন তৌবদা অয়াবা পীরবশিংনা ওক্সিজেন/ওক্সিজেন সিলিন্দরশিং পুথোক-পুশিন তৌবা য়াওনা পোৎচৈ পুবা গাড়ীশিং, হেল্থ ক্যের ফেসিলিটিশিং য়াওনা এনিমেল হেল্থ ক্যের, হোস্পিটাল, ক্লিনিক, নর্সিং হোমশিং অমসুং হেল্থ ক্যের ৱর্করশিং, ভেটিরিনরি মেদিসিনশিং য়োনবা য়াওনা ফার্মাসি পুম্নমক, কোভিদ-১৯গী হিদাক কাপ্পা চৎপা মীওইশিং অমসুং কোভিদ টেষ্টিং অমদি মেদিকেল ইমর্জেন্সিগী মীওইশিং, হোম, হেল্থ, রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট, পুলিস দিপার্টমেন্ট অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী ইমপ্লোয়ীশিং অমদি পর্সনেল ষ্টাফশিং নত্তনা গ্রেটর ইম্ফালদা লৈবা ওফিস পুম্নমক থিংলগনি হায়রি।

অদুমকপু থক্লবা ঈশিং, মৈ, ফায়র ফাইটিং, ৱেষ্ট/গার্বেজ কল্লেক্সন, এ টি এম সর্ভিসনচিংবা ইসেন্সিএল সর্ভিসশিংদা দিপ্লোয় তৌরিবা মীওইশিংগীদি কোমথোক্কনি। মনা-মশিং, ঙা-শাগী ইমা কৈথেলদা লৈবা নত্তবা দুকানশিং, মিল্ক গুদশিং অয়ুক পুং ৬তগী পুং ১০ ফাওবগী মনুংদা

...মখা লামায় ৩ কলম ২



### কন্টেনমেন্ট জোননা কোনশিনগদবা মফমশিং

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি অমসুং ষ্টেট এগজিক্যুটিভ কম্মিটি (দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটি)গী ইন-চার্জনা থোকখিবা ওর্দর অসিগী মতুংইন্না নুমীৎ ৭নিগী কন্টেনমেন্ট জোন অসিনা কোনশিনগদবা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (আই এম সী) অমসুং গ্রেটর ইম্ফালগী মফমশিংসু লাউথোকখ্রে।

মফমশিং অদুদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী লুৱাংশংবম, অশিলোকলেন মতাই অচানবিগৈ, কোন্থা খাবম, লল্লোংগৈ, কোন্থা অহল্লুপ, কাইরং (মৈতৈ), কোন্সম লৈকায়, লাইরিকয়েংবম লৈকায়, লাইফম সিফাই, খুরাই সাজোর লৈকায়, খুরাই থাংজম লৈকায়, খুরাই লাইশ্রম ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# ডা. শ্যামসুন্দরগী কন্টেমপ্ট পিটিসনদা হায় কোর্টকী ওর্দর

# ‘থবক্তা ওন্থোক্ত্রবদি প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি কোর্ট কারক্কদবনি’

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচ এন এস) : হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস অহন্থেম বিমোলনা জন্যুৱারী ২২, ২০২১দা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অমগী দিরেক্সনশিং থবক্তা ওন্থোরক্ত্রে হায়দুনা কোর্ট অসিমক্তদা ডা. পি শ্যামসুন্দর (৬০), অপোকপা লৈখিদ্রবা পি ইবোতোম্বী, নাওরেমথোং উরিপোক তখেল্লম্বম লৈকায়দা লৈবগী মায়কৈদগী ফাইল তৌরকখিবা কন্টেমপ্ট কেস অমগী ওর্দরদা হায় কোর্টনা পীখ্রিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুগী মতুং ইনবা থবকশিং চয়োল অমগী মনুংদা পাঙথোক্কদবনি হায়বগা লোয়ননা করিগুম্বা নুমীৎশিং অসিগী মনুংদা পাঙথোরক্ত্রবদি মণিপুর লৈঙাক্কী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের) ভি ভুমলুনমাং কোর্টতা কারক্কদবনি হায়দুনা খঙহনখ্রে।



জষ্টিস অহন্থেম বিমোলনা জন্যুৱারী ২২, ২০২১দা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর পীখিবা সিভিল রিট পিটিসন অদুগী নম্বর- ৬৩৮ ওফ ২০২০নি। পিটিসন অদু ডা. পি শ্যামসুন্দরনা পিটিস্নর ওইদুনা মমাঙগী কুমজা ২০২০দা কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরকখিবনি। রিট পিটিসন (সিভিল) অদুগী রেস্পোন্দেন্টশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চীফ সেক্রেটরি, এদিসনল চীফ সেক্রেটরি/প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি/কম্মিস্নার/সেক্রেটরি (হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের), এদিসনল চীফ সেক্রেটরি/প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি/কম্মিস্নার/সেক্রেটরি (দি পি) অমসুং ডা. কাঙুজম রাজো (৬০), অপোকপা লৈখিদ্রবা কে পুকচাওবী, শগোলবন্দ বিজয় গোবিন্দনি।

পিটিস্নর ডা. পি শ্যামসুন্দরনা মহাক্কী পিটিসন অদুদা ৱাকৎলকখিবনা মহাক মেদিকেল দিপার্টমেন্টতা জুন ৪, ১৯৮৮দা জুনিয়র ক্লাস-ৱান ওফিসর ওইনা পোষ্ট অসিগীদমক মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিসনগা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা দিপার্টমেন্টেল প্রমোসন কম্মিটিগী রেকমেন্দসন মতুংইন্না এপোইন্টমেন্ট ফংখিবনি। এপোইন্টমেন্ট অসিগী মতুংইন্না মহাক্না লোয়শঙ অসিদা সর্ভিস তৌরকপদগী অন্দর সেক্রেটরি (দি পি)না নবেম্বর ২১, ২০২০দা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না মহাকপু মণিপুর হেল্থ সর্ভিসকী স্পেসল ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## কোভিদ-১৯গী দেথ বোদি দিস্পোজ তৌরগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচ এন এস) : রিমসকী দেপ্যুটি মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসর এন সঞ্জিৎনা এস পি ইম্ফাল ৱেষ্টতা থারকখিবা চেরোল অমদা লায়েংশঙ অসিদা লৈখিদ্রবা কোভিদ-১৯গী পেসেন্ট অমগী অশিবা হকচাং দিস্পোজ তৌনবগীদমক মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎনবা হায়রকখ্রে।

চেরোল অদুগী মতুংইন্না লৈখিদ্রবা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ পেসেন্ট অদুগী মমিং ইবেমপিশক (৭০), অপোকপা এন ইবোবী কৌই। ইরোইশেম্বা মোইরাংথোংদগী হায়রি। মহাক থা অসিগী ২৫দা রিমসকী মেদিসিন ৱার্দতা এদমিট তৌদুনা লায়েংলক্লবা মতুং থা অসিগী ২৮দা লৈখিদবনি। হৌজিক মহাক্কী হকচাং রিমসকী মোর্গতা থল্লি হায়রি।

## পম্থৌগী লাইফম খুরুম্বা থিংখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯ লাইচৎকী সেকেন্দ ৱেভ লাকপদগী মী তিনবা য়াদবা অমদি লৈঙাক্লা পীরিবা লায়না অসিগী চৎন-কাঙলোনশিং ঈকায়খুম্নবা উৎতুনা লাইচৎ অসিনা ফৎত্রিবা ফাওবা পম্থৌবু নীংজবা লাইনিংলোইশিংনা লাই খুরুম্বা লাকপদা অথিংবা থম্লে হায়রি।

ৱাফম অসি নোংপোক চীংঙু থোং মৈতৈ লাইকোলগী ইমা লৈশেম ইনাৎ লোয়শঙগী সেক্রেটরি অহৈবম মেধাগী চেরোল অমনা হায়বনি।

## চীঙ্খৈ চীংদা পাক শন্না লাম্মৈ চাকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচ এন এস) : ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী চীঙ্খৈ চীং রিজার্ভ ফোরেষ্টকী মনুং চনবা লল্লোং ব্লোক্কী কম্পার্টমেন্ট নম্বর-১, ২, ৩ অমসুং ৪গী মফমশিংদা পাক শন্না লাম্মৈ চাক্তুনা অমাঙ-অতা থোকখ্রে হায়রি। অদুম ওইনমক ফোরেষ্ট ষ্টাফশিংনা মতম চানা চঙশিন্দুনা লৈকায়গী মীয়াম অমদি তোঙান-তোঙানবা ক্লব, ওর্গনাইজেসনশিংগী মীওইশিংগী মতেংগা লোয়ননা খরমখৈদি কনবা ঙমহৌরে হায়রি।

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৭.৭৩ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৪.১৬ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ১.০৯
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৪০
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৪৩

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

## HL Poll

Q: Covid-19 gi fivam henna sathiraklibasi akanba cheksin thourang loukhatpada ahoba leibadagi oigadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Covid-19 gi SOP ngaktaba sing fagattuna fine louraga thadokpa khaktana matungda SOP ngakhanba ngamgani khanbra ?

Yes 14% No 86%

## অস! লোইরেহে!

- ভৈয়া খবরদা আলু মমল তাঙলে হায়নে চুন্না?

- ꯃꯤꯔꯣꯜ ꯃꯇꯝꯗꯥ ꯑꯦꯜ ꯍꯥꯏꯕ ꯊꯣꯛꯂꯛꯂꯦ ꯍꯥꯏꯗꯨꯅꯥ ꯂꯥꯛꯂꯤꯕꯥ?



- এ, ইমা হন্দক্তি খবরনা হায়বদগী তানবু য়োল্লবনি।

- ꯏꯖ, ꯃꯇꯝ ꯑꯗꯨꯗꯒꯤ ꯃꯇꯨꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯣꯏꯔꯦ॥

# নর্স ১৩৩ অমসুং এম টি এস ৮৭ অমুক হন্না এনগেজ তৌরগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯গী পেন্দমিক মায়োক্লবা হৌরকখিবা মতমদা এনগেজ তৌদুনা শীজিন্নরম্বদগী টর্মিনেট তৌখ্রবা নর্সশিং অমসুং এম টি এসশিং অমুক হন্না হেল্থ সর্ভিসেস দিরেক্টোরেটনা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিং অমসুং কোভিদকা মরী লৈনবা দ্যুটিশিংদা এনগেজ তৌদুনা শীজিন্নরগনি হায়রি।

ৱাফম অসি দেপ্যুটি সেক্রেটরি (হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের) সোইমিনলিয়ন লেঙেননা হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টরদা পীরকখিবা চেরোল অমনা হায়বনি। ওফিসল ওইবা চেরোল অসিগী মতুংইন্না অমুক হন্না রি-এনগেজ তৌগদৌরিবা ষ্টাফ নর্সশিংগী মশীংনা ১৩৩নি। মখোয়গী রেম্যুনরেসন্না দ্যুটি নুমীৎশিংদা লুপা ১০০০ পীগনি। অদুগা মল্টি টাস্কিং ষ্টাফ (এম টি এস) ৮৭কীনা অমমমদা দ্যুটি নুমীৎশিংদা লুপা ৫০০/৫০০ পীগনি হায়রি। লোয়ননা হান্নদগী রি-এনগেজমেন্ট তৌরক্লিবা ডোক্তরশিংদনা মখোয়গী দ্যুটি নুমীৎশিংদা লুপা ২,৫০০/২,৫০০ পীগনি হায়রি।

রি-এনগেজমেন্ট তৌদুনা য়ুটিলাইজ তৌগদৌরিবা ষ্টাফ নর্স, এম টি এস অমসুং ডোক্তরশিং অসি মখোয়না দ্যুটিগীদমক রিপোর্ট তৌরকপা নুমীৎতগী পারগা থা ৬কী ওইগনি হায়রি। কনাগুম্বা রি-এনগেজমেন্ট তৌগদৌরিবা ষ্টাফশিংনা মসিগী মতাংদা নোটিশ থোকপা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ মঙানিগী মনুংদা দ্যুটিগীদমক রিপোর্ট তৌরদ্রবদি মখোয়দা পীরিবা খুদোংচাবা অসি ষ্টাফ অদুগী ওইনা ককথৎকনি হায়রি।

# বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী কন্ট্রোল রুম হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচ এন এস) : বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নার অনীতা অরাম্বমনা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা ২৪X৭ মথৌ তৌগদবা কন্ট্রোল রুম অমা হাংদোকখ্রে হায়রি।

কন্ট্রোল রুম অসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী গ্রাউন্দ ফ্লোরগী রুম নম্বর-২দা হাঙদোকপনি। থৌরাং অসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা হৌজিক মায়োক্লরক্লিবা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ অসিদগী লাকশিন্নবগীদমক লৌখৎলকপা থৌরাংনি। ইমর্জেন্সিগীদমক কনাগুম্বশিংনা কন্ট্রোল রুম অসিগী মোবাইল/ৱাটচএপ নম্বর ৭০৮৫৪১১৫৫৬তা কন্টেক্ট তৌরকপা য়াগনি। কন্ট্রোল রুম অসি সী এম ও ডা. গোজেন্দ্রোনা মোনিটর তৌগনি হায়রি।

# সী এম সেক্রেটরিয়েটতা কোভিদকী মতাংদা মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচ এন এস) : ষ্টেট অসিদা হৌজিক মায়োক্লরক্লিবা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ অসিবু মায় পাক্লা লাকশিনবা ঙম্নবগীদমক চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিয়েটতা তোঙান-তোঙানবা ওফিসরশিং অমসুং মেদিকেল এক্সপার্টশিংদগী ওপিনিয়ন লৌনবগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

কোভিদ-১৯গী পোজিটিভ কেসশিং হৌখিবা নুমীৎ নীনিদা খঙহৌদনা হেনগৎলকখিবা অসিগী য়েংলগা ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর সোরোখাইবম রাজেন, চীফ মিনিষ্টর (হেল্থ)কী এদভাইজর ডা. সাপম রঞ্জন, এদিসনল চীফ সেক্রেটরি এম ঐচ খান, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হেল্থ) ভি ভুমলুনমাং, কম্মিস্নার (এদ্যুকেসন-এস) টি রঞ্জিৎ, হেল্থকী দিরেক্টর কে রাজো, জেনিমসকী দিরেক্টর প্রোফেসর কে ভিমো, শিজ হোস্পিটালগী মেনেজিং দিরেক্টর ডা. কে ঐচ পালিন, ববিনা গ্রুপকী মেনেজিং দিরেক্টর ডা. টি ঐচ ধবলি, ইম্ফাল ৱেষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নার নাওরেম প্রবিন, ইম্ফাল ইষ্টকী এদিসনল দি সী সমিম অহম্মদ শাহ, ইম্ফাল ইষ্টকী এস পি হাওবিজম য়োগেসচন্দ্র, ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস পি কে মেঘচন্দ্র অমসুং হেল্থ সর্ভিসেস দিরেক্টোরেটকী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা মেন পৱার অমসুং মেটরিএল মেনেজমেন্ট, ভেক্সিনেসন, লোকদাউনগী মওং, কন্টেনমেন্ট জোনগী মতাং অমসুং এস ও পিশিং মায় পাক্লা ঙাকহন্নবগী মতাংনচিংবগী মরুওইবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

# মিনিষ্ট্রিনা অগৱা আই সী য়ু ভেন্টিলেটর ১৫০ পীরক্লে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচ এন এস) : ইন্দিয়া লৈঙাক্কী হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রিনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক লাকশিন্নবগী থবক্তা শীজিন্ননবগীদমক অগৱা ইন্টেন্সিভ ক্যের য়ুনিট (আই সী য়ু) ভেন্টিলেটর ১৫০ পীরক্লে হায়রি।

লাইফ সেভিং ইক্বিপমেন্টশিং অসি ইম্ফালদা থুংলবগা লোয়ননা ঙসি চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটকী দরবার হোলদা পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ওফিসল ওইনা রিসিভ তৌখ্রে হায়রি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রিনা পীরকখিবা ভেন্টিলেটরশিং অসি প্রাইম মিনিষ্টরস সিটিজন এসিষ্টেন্স এন্দ রিলিফ ইন ইমর্জেন্সি সিচ্যুএসন্স ফন্দ (পি এম-ক্যের ফন্দ)গী মখাদা পীরকখিবনি হায়রি। লাইফ সেভিং ইক্বিপমেন্টশিং অসিবু লৌশিনবগী অচম্বা থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, ভেন্টিলেটরশিং অসি পুং ২গী ইন বিল্ট বেট্রি বেক অপকা লোয়ননা ইনভেসিব অমসুং নন-ইনভেসিব অনীমক্তা শীজিন্নবা য়ারগনি। অসিগুম্বা মখলগী ভেন্টিলেটর ৯০সু মিনিষ্ট্রিনা মমাঙথক্তা পীরকখিবদগী হৌজিক জৱাহরলাল নেহরু ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস)তা শীজিন্নরিবনি হায়রি।

হায়রিবা লাইফ সেভিং ইক্বিপমেন্টশিং অসিগী মথক্তা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটর ৪০০ অমসুং দি-টাইপ ওক্সিজেন সিলিন্দর ৫০০সু পীরক্লে হায়রি। মিনিষ্ট্রিদগী পীরক্লিবশিং অসিগা পুনশিন্নরগা হৌজিক মণিপুরদা দি-টাইপ সিলিন্দর ৩০০০ লোম লৈরে হায়রি। লাইফ সেভিং ইক্বিপমেন্টশিং অসিগী ...মখা লামায় ৩ কলম ১

# এগ্রিকলচর লোয়শঙগী ইমপ্লোয়ীশিংনা থবক লেপ্পা য়াওনা খোঙজং কয়া চঙশিল্লক্কদৌরি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লৈঙাক্লা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টরবু টেক্নিকেলগী নোলেজ লৈবা অমসুং লোয়শঙ অসিদা মতম শাংনা থবক তৌরক্লবা মতিক চাবা ওফিসর অমদা পুহনগদবনি হায়দুনা তাল্লিবা দিমান্দবু তকশিল্লদুনা তোঙান-তোঙানবা খোঙজং পরেং অমা চঙশিন্নবগীদমক শেম-শাবা হৌখ্রে।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউগী মতুংইন্না ওল মণিপুর এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট ইমপ্লোয়ীজ ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসন (এ এম এ দি ঈ দব্লিয়ু ও)গী মায়কৈদগী মখোয়গী দিমান্দ অসি তকশিল্লদুনা হয়েংদগী হৌরগা থা অসিগী ৩০ ফাওবা ব্লেক বেজ থেৎতুনা প্রোটেষ্ট তৌগনি হায়রি।

হায়রিবা খোঙজং অসি চঙশিল্লবা মতুং মথং থাগী ১দগীনা ৩ ফাওবা নুমীৎ হুম্নগী ওইনা পেন দাউন প্রোটেষ্ট চঙশিনগনি। অদুগা মে ৪দগী হৌরদুনা মখোয়না তাল্লিবা দিমান্দশিং অসি ফংদ্রিবা ফাওবা মাস কেজ্যুএল লীভ লৌবগী খোঙজং চঙশিনগনি হায়রি।

খোঙজং পরেং অসি চঙশিনবগী ৱারেপ থা অসিগী ২১দা পাঙথোকখিবা এসোসিএসন অসিগী এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মীটিংনা ৱারেপ লৌখিবনি। ৱারেপ অসিগী মতুংইন্না টেক্নিকেল এন্দ নন-টেক্নিকেল ষ্টাফশিং, দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসরশিংগী মখাদা ষ্টাফশিং অমসুং লোয়শঙ অসিগী সব-ওফিসশিংদা লৈবা ষ্টাফশিংনা খোঙজংশিং অসিদা শোয়দনা শরুক য়াগদবনি হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুর লৌমী লূপকী সেক্রেটরি ঐচ ইবোবীনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী অকনবা শাফু মায়োক্লরবসু মীপাল তাঙদনা হিংমিন্নবা পোথোক মখল কয়া পুথোক্লিবশিং য়াওনা লৌউ-শিংউ ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# চুড়াচান্দপুরগী দি সী ওফিসতা ভিজিটরশিং চঙবা থিংখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচ এন এস) : এদিসনল দেপ্যুটি কম্মিস্নার (চুড়াচান্দপুর) থাংবোই গাংতেনা ঙরাং থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নারগী ওফিস য়াওনা দি আর দি এগী ওফিসতা নন-ওফিসল ভিজিটরশিং চঙবা মখা তাবা ওর্দর অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা খুদক্তগী থিংলে হায়রি।

অদুম ওইনমক ভিজিটরশিংগী মায়কৈদগী তঙাইফদনা দেপ্যুটি কম্মিস্নারগা উনদবা য়াদবা মরমশিং লাক্লবদি হান্না এপোইন্টমেন্ট লৌরগা ভর্চ্যুএল মোদতা টেলিফোন নম্বর ৯৩৬২১৪৬১৮৮ দগী অয়াবা লৌরগা উনবা য়াগনি হায়রি।

ওর্দর অসিগী মতুংইন্না দেপ্যুটি কম্মিস্নার পৱন যাদব উনবগীনা নিংথৌকাবা নুমীৎকী অয়ুক পুং ১১দগী নুংথিল পুং ১ ফাওবা ওইগনি। লৈবাকপোকপা নুমীৎতনা হায়রিবা মতমসিদা এদিসনল দেপ্যুটি কম্মিস্নার থাংবোই গাংতেগা উনবা য়াগনি। য়ুমশকৈশা নুমীৎতনা এ দি সী-২ ওইরিবা থাইখোপাও ঙাইতেগা উনবা য়াগনি। শগোলশেন নুমীৎতনা জোসাংলু জৌতেগা উনবা য়াগনি হায়বগা লোয়ননা ইরাই নুমীৎতনা সংগ্রেমসিয়ামা (বি ও/হেদ ক্বার্টর)গা উনবা য়াগনি হায়রি।


ꯁꯦꯝꯖꯤꯟ

## URGENTLY WANTED

**Imphal Diagnostic Centre, Palace Compound**
**Govindajee Road, Near Andro Parking, Imphal East, Manipur**

| Sl. No. | Name of Post | Qualification | No. of Post | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Senior Lab Technician | Related Certificate with minimum 3 years experience (Desirable-Male Candidate) | 2 | 7000-15000 |
| 2. | Office Assistant | 12-above Fresher may apply (Desirable - Male Candidate) | 3 | 6000-12000 |

*For details kindly contact, Imphal Diagnostic Centre*
✆: 8118937765, Office Timing: 9.00 a.m to 6.00 p.m.

HL-B/6923/11th April to 10th May


# বি জে পি লৈঙাক্কী থৌশিল শোয়বদগী কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ হেনগৎলকপনি : ট্রেদ য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচ এন এস) : হন্দক ষ্টেট ৭তা লায়না-লাইচৎকী কাঙলোন য়াওদনা মীখল পাঙথোকপা অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লুপা ক্রোর কয়া থাদদুনা কুম্ভ মেলা পাঙথোকপা মখল কয়াগী মীয়াম তীনবা, লাই নিংবগী নামাদা লায়না-লাইচৎ শন্দোক্লবা চত্থবা অসি বি জে পি লৈঙাক্কী থৌশিল শোয়বদগীনি। অদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি ফম থাদোকফম থোকই হায়না ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস, মণিপুর ষ্টেটনা ফোঙদোকখ্রে।





ইরাবত ভবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস, মণিপুর ষ্টেটকী জেনরেল সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা হায়খি, মে দে নুমীৎ অসি মালেমগী ওইবা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎকী অনীশুবা ৱেভকী অৱাবা মতম ওইবনা থাউ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কনি তৌরম্বদু পাঙথোক্লরোই। ককচিং, মোরে, সেনাপতি, জিরি অমসুং ইম্ফালদা মীয়াম তীনবা য়াদবনিনা চৎন-কাঙলোন ঙাক্লগা পীক্লা মফম-মফমশিংদা পাঙথোক্লগনি। অদুবু কোভিদ লায়না-লাইচৎ অসিনা লায়রবা খুৎশুমলনা হিংজবা নোংমগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৬


ꯂꯣꯟ ꯐꯪꯒꯅꯤ

## LOAN AVAILABLE

- VEHICLE LOAN
- SERVICE LOAN
- PENSION LOAN
- GOLD MORTGAGE



- No Guarantor required
- One Day Delivery

Area Coverage: Imphal East | Imphal West | Bishnupur

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O.: Loklaobung
B.O.: MG Avenue, Paona Bazar & Bishnupur Bazar

HL-B/6949/27/4-25/5